# মোদি ২.০গী নুমিৎ ৫০নিগী রিপোর্ট কার্দ : মরমদি গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী থৌদাং লৌরি

- কিরেন রিজিজু -
মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ)

মমাঙ চয়োলদা নরেন্দ্র মোদিগী ২শুবা লৈঙাক্লা ওফিস পায়রকপা নুমিৎ ৫০শুরে। ঐখোয়গী রিপোর্ট কার্দ লান্থোকপা অমসুং তুংগীদমক রোদমেপ থৌরাং তৌবগী মতম ওইরে। লৈঙাক অসি মখা চথুরকপা অমা ওইবনা নুমিৎ ৫০নি ফারকপগী রিপোর্ট কার্দ অমা পুথোকপা মথৌ তাদে হায়না মীওই খরনা মরৈ য়েৎলকপা য়াই। নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক অসি থা অনী মখায়খক্তমক হৌখিবদা ঙাইরিবনিনা নুমিৎ ৫০নি অসি য়াম্না তেনবা মতমনি হায়না মীওই খরনসু মরৈ য়েৎলকপা য়াই।

মীয়াম্না লোক সভাগী মীখলদা মোদি লৈঙাক্কী পার্ফোর্মেন্স হোৎখি অমদি গনতন্ত্রগী চাংয়েংদা চাদা ১০০দগী হেন্না পীরকখি।

মোদি লৈঙাক্লা ময়ামদগী তোঙান্না লেপ্লিবা মফম অদু মসিনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অসি অকনবা থবক তৌবা অমদি ইন্দিয়াগী মীয়ামদা লৈঙাক্কী থৌদাং অদু চেৎনা থাজবা মাষ্টর অমনি। অদুগা লৈঙাক অসিগীদমক, অহানবা নুমিৎ ৫০নি অসি লৈবাক অসিদা চাওখৎপগী খোঙজেল য়াঙশিলহন্নবা যূম্ফম থোনবগী মতম অমনি। মরম অদুনা লৈঙাক অসিনা কদোমদা চৎলিবগে হায়বদু খঙনবা মীয়ামগী রাইট লৈ।

মোদি লৈঙাক ২.০না মসিগী খোঙচৎ অসি সবকা সাথ সবকা বিকাস হায়বা মসিগী ৱাহৈ পরেং অদুদা সবকা বিশ্বাস হাপচিন্দুনা মসিগী পান্দম অদু ময়েক শেংনা হৌদোকখি। মসি পাঙথোক্লবগীদমক্তা, লৈঙাক্লা মথংগী চহী মঙাদা ইন্দিয়াবু দোলর ত্রিলিয়ন ৫ শেমগৎনবা পান্দম অমা থল্লি। হেন্না চাউবা ইকোনোমি হায়বদি ইন্দিয়াগী মীপূম খুদিংদা অহেনবা ইকোনোমিক পৱার, প্রোগ্রেস অমসুং প্রোস্পেরিটি হায়বনি। কুমজা ২০১৯-২০গী বজেটনা বোল রোল্লিং সেট তৌরে অমদি চিংনবা লৈত্রে অদুনা মোদি লৈঙাক্লা পান্দম অসি ফংবা ঙমগনি হায়বা ওপোজিসনগী ৱাখলদা ফাওবা লৈরে।

**মোদি লৈঙাক্লা লেপথোক্লিবা ৱাফম অদু মখাগী অসিদগী খঙদোকপা য়াই :**

লম্বী থোং, রেলৱেজ, এয়রপোর্টশিং, হিথাংফমশিং অসিনচিংবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা লুপা কোটি লাক্ষ ১০০ থাদনবা থৌরাং অমা; শেঞ্জা-থুমজাগী মায়োক্তা খোঙজং, বেঙ্কিং সিষ্টেম চুমথোক্লবা খোঙথাং; শেল-থুমগী মরাল লৈরবশিংগী অকোয়বদা কোঙ্গোই চেৎশিলহনবা, ইন্সোলবেন্সি অমসুং বেঙ্কিং কোদতা এমেন্দমেন্টকুম্বা রিফোর্মশিং, লেবর লোনা চাউরাক্লা শিন্নী কোটি ৫০ কান্নবা ফংহনবা, জল শক্তি মন্ত্রালয় শেমগৎপা, মথংগী চহী অহুমদা খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা ইমুং খুদিংমক্তা মৈ অমসুং এল পি জি কনেক্সন ফংহন্নবা থৌরাং।

অহানবা নুমিৎ ৫০নিদা, লৈঙাক্লা দোমেষ্টিক বিজিনেসকী চাদা ৯৫ হেন্না কোর্পোরেট টেক্সতা কোমথোকপা ফংহনবা, লল্লোনবশিংগীদমক পেন্সন স্কিম হৌদোকপা অমসুং লৌমীশিংগী এম এস পি হেঙ্গৎপা। চন্দ্রয়ান ২ থাগৎখিবা অসি মোদি লৈঙাক ২.০না ওফিস পায়রকপা নুমিৎ ৫০ শুবগা মপা চানরি।

লৈঙাক্লা মরুওইবা রিফোর্মশিংদা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমকপু পুদুনা চৎনবা ৱাশক অদুগী মায়কৈদা পাঙথোকপা য়াবা পাঙথোক্লি। মসি সংসদকী বজেট সেসন্দা পাঙথোকখবা অদুনা ময়েক শেংহল্লে। সেসন অসিদা সংসদতা রেকোর্দ ওইবা মওংদা বিল কয়া অমা পাস তৌখ্রে। তশেংনা হায়রবদা, মসিনা হৌখিবা মতম খরা অসিদা লোক সভা মীখলগী মতুংদা পাঙথোকপা অহানবা সংসদকী মীফমদা খ্বাইদগী ৱাংবা পোথোক পুথোকপা ওইরি।

দিপ্লোমেসিদা, মোদি লৈঙাক ২.০গী অহানবা নুমিৎ ৫০নি অসি থোইদোক হেন্দোকপা অমা ওইরি। ভারত মহাসাগর লমদমদা অতোপ্পা শক্তিশিংনা মখোয় মশাবু ননশিন্নবা হোৎনরকপা মতমদা যূমলোন্নবা লৈবাক অনী, শ্রী লঙ্কা অমসুং মালদিপনা ইন্দিয়াগা হেন্না নকশিন্নরে। মীখল মায় পাক্লবা মতুং ঈথৎ লৈবাক অনী অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎনা ঐখোয়গী মরুওইবা যূমলোন্নবশিংদা লৈঙাক অসিনা পীরিবা মরুওইবা অদু উৎলি। চাইনাগা লৈনরিবা মরী অসি কিরগিষ্টান্দা পাঙথোকখিবা শংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সী ও) মীফম অমসুং জপান্দা পাঙথোকখিবা জি-২০ মীফমদা এঙ্গেজমেন্টকা লোয়নন৷ চেৎশিলহল্লে।

টেরোরিজম থেংনবগী মায়কৈদা প্রাইম মিনিষ্টরনা টেরোরিজম এন্দ হোলদিং কন্ত্রিজ স্পোন্সরিং, এদিং এন্দ ফন্দিং টেরোরিজম একাউন্টেবলদা মালেমগী মীফম অমা কৌদুনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিতিদা পাকিস্তানবু মখা তানা নায়তোম তাহল্লে।

কুলভুশন জাধব কেসতা ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিজ (আই সী জে) গী য়াথং অদু মালেমগী মফম অমা হেক্তদা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিংদা সেফটি অমসুং সেক্যুরিটি ফংহন্নবা লৈঙাক অসিনা পাঙথোকপা য়াবা পূম্নমক পাঙথোক্লি হায়বদুগী অতোপ্পা খুদমনি। লৈবাক অদুগী শাম মিলিটরি কোর্ট অমনা থবক্তগী পোথারবা নেভেল ওফিসরদা পাকিস্তান্না শিবগী চৈরাক পীবা য়াদে হায়বা আই সী জেগী য়াথং অদুনা মতৌ করম্না ঐখোয়গী লৈঙাক্লা কুলভুশন জাধবকী রাইটকীদমক লান্থেংনখিবগে হায়বদু উৎলি।

ঐহাক্কী ৱাহৈ লোইশিন্দ্রিঙৈ মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঐহাকপু স্পোর্টস অমসুং য়ুথ এফেয়রস মন্ত্রালয়দা শিন্নবিরিবা থৌদাংশিং অসিগী মতাংদা ৱাহৈ খরা থমজগে :-

মথংগী চহী ২০২০দা টোকিওদা ওলিম্পিক পাঙথোক্লগনি অমদি ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনরিবা অমসুং ৱাশক অদু য়েংলগা ওলিম্পিক্তা ইন্দিয়ানা হেন্না ফবা মওংদা শরুক য়াগনি হায়না ঐখোয়না থাজরি। ঐখোয়গী লৈঙাক্লা শান্নরোয়শিংবু মখোয়গী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমসুং ইন্টরনেসনল কম্পিটিসন্দা শরুক য়াবদা লেপ্পা লৈতনা তেংবাঙলি। ঐখোয়না খেল্লো ইন্দিয়াগী খূথাংদা অনৌবা টেলেন্টশিং মশক খঙদোক্লি অমসুং শেমগৎলি অমদি দ টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমগী খূথাংদা মচং ওইবা টেলেন্টশিং তেংবাঙলি। হোৎনরিবা অসি মখাদগী হৌরগা মচং ওইবা এথলেটশিং ফাওবগী স্পোর্টিং ইকোসিষ্টেম অমা শেমগৎপনি। খেলো ইন্দিয়া খোঙথাংগী মখাদা শান্ন-খোৎনবা চাওখৎহন্নবগীদমক নেসনল স্পোর্টস এদ্যুকেসন বোর্দ (এন এস ঈ বি) অমসু শেমগৎলে।

ঐখোয়না হোৎনরিবা অসি শান্নরোয়খক্তদা অকক্লবা থমদে, মীপূম খুদিংমক্কী পুন্সিদা শান্ন-খোৎনবা অমসুং ফিটনেসকী মমি তাহন্নবা পান্দমগা লোয়নন৷ ইন্দিয়াগী সিটিজন খুদিংমক্তা য়ৌহল্লি।

মোদি ২.০না চাউনা অহোংবা পুরক্লিবা অসি পার্টিসিপেটিব গভর্ণান্সকী মতাংদনি, মদুদা মীয়াম অমসুং লৈঙাক পুন্দুনা চাউথোকচনীংঙাই ওইবা ইন্দিয়া মচা ওইবগী ৱাহন্থোক করিনো হায়বদু তাক্লি।

ফিদম্নিংঙাই ওইরবা সিটিজন অমনা মতৌ করম্না খনবগে অমদি হিংবগে হায়বদু উৎলদুনা ঐখোয়গী প্রাইম মিনিষ্টরনা ঐখোয়বু মাঙলোমদা লমজিংলি। হোংলক্লিবা ইন্দিয়ানা ঐখোয় পূম্নমক্তগী ইচং থৌনা অমসুং ৱাশকপগা লোয়নন৷ শরুক য়াবা মথৌ তারি। অনৌবা ইন্দিয়া অমা শেমগৎনবা ঐখোয় পূন্না চৎমিন্নরসি। ●

*(পি আই বি ফিচর)*

# ইন্দিয়াগী ঙমখৈগী থোঙদা কবচ ওইরিবা মণিপুর প্রদেশপু লৌতুনদুনা পিকশিনহন্নবা হোৎনবিরোইদবনি

- বি অঙৌম্না শর্ম্মা

*মশাগী মহী-ময়াই কঞ্জদুনা লৈবা, হৈশিংজবা কাঙলূপ অমবু ৱাখল শোন্থহন্নবা নৎত্রগা নম্ফু লৈঙাক তৌবদগী হেন্দাক্তুনা মশাগী ওইজবা, মীগী ওইখিবা য়ারোইদবা ফম কয়া কন্দুনা লৈরিবা কাঙলূপ অমবু ঙাকপী শেনবীবা মহৌশানি; মদুবু অসুম্না তৌদদুনা কাঙলূপ অদুবু মাঙহন্নবা নৎত্রগা খুন্নাইদগী তোঙান্না তাহন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী মহয় য়ানবদি ওইরোই।*



মণিপুর, জাতি-উপজাতি (কাঙলূপ মচা কয়ানা) ৪০না লৈতাবা, খুন্দাবা মফম অমনি। কাঙলূপশিং অদুগী মনুংদা মৈতৈনা অচৌবা কাঙলূপনি; অদুবু মৈতৈদি মালেমগী লৈমায়দা খ্বাইদগী য়াম্না থৌ চাউবা কাঙলূপনি। মৈতৈদি খ্বাইদগী পিকচরবসু অপিকপা, অকূপ্পা থৌয়ামদা খ্বাং কোয়বা, খ্বাইদগী শেন্থোক লৈতবা অদুগা মায়কৈ থুংনা চাওখৎপা, মীশিং লাক্ষ ১১ খক্তং ওইবা কাঙলূপনি। মীশিং য়ামজদ্রবসু ইন্দিয়াগী অৱাংবা থৌবুরেলগী শিংথানরিবা য়ু পি এস সী, প্রদেশকী ওইনা এস পি এস সী, লাল লোইশঙ; হায়বদি দিফেন্স অমদি কেন্দ্র পুলিসকী লোইশঙ সী পি ও; রেলৱেজগী শিংলূপ; ইঞ্জিনিয়র, ডাক্তর; বিজ্ঞান অমদি টেক্নোলোজি; লেয়নন৷ বিশ্ববিদ্যালয়নচিংবা কয়াদসু মৈতৈনা মফম কনবা ঙমই।

পূম্নমক্কী মথক্তা পিক্লবা মৈতৈ মচানা শান্নপুঙগী মপু ওইদুনা লৈরি। মসি অঙকপগী মশকনি। মৈতৈগী লান্দা থৌবা, হৈশিংবা, শগোল লাম্মী শীজিন্নবদা হৈথোই শিংথোইববু প্রদেশকীদমক্তা চাওথোক্লীংঙাই ওই।

***মণিপুর মীৎয়েং অমদা-***

মখাদা নৈনরক্কদৌরিবা থৌদাংশিং অসি মৈতৈ খুন্নাইনা মায়োক্লদুনতা লাক্লি; মসিবু ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা খঙজিনবীবা অমদি লৌখৎপীবা ফৈ।

নহা ওইরিবা মৈতৈ মচাশিংদি থবক ফংনীংবগী লমজেলগী লাংদা থুদুনা লৈ; মমা-মপা ওইবনা মচাবু মহৈ তম্নবা হাথু-হাথুনা চেল্লি; মফম খঙদনা পুবা-লাকপা তৌদুনা অঙাংগী মরুমদা শেল হৈদোক্লি; মহৈ তম্বগী মীংদা অঙাংবু মপান্দা থাদোক্লবা হোৎনবদা ঙসিগী মীহৌ চাউবনা - হয়েংগীদমক্তা চেকশিনবা ঙমদে, মসিমক ওন্ন-তৈনবা অমনি; অসুম্না কায়রকপনা ঙাইহাক্কী নুংঙাইনবা হোৎনবদা চিঞ্জাক্কী অহোংবা লাকপা; অঙাংবু যূমদগী থাপনা থাবা, অতোপ্পা প্রদেশতা থাবা; অতোপ্পা লমদা থাবনা চাউথোকচনীংঙাই ওইদুনা লৈরে। অসুম্না কায়থরকপনা লমচৎ, চৎনরোল পূম্বদা ফজনা য়েংশিনবা ঙম্লক্ত্রে; চৎনরোলবু হিংগৎহন্নবা অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎপগী থৌরম পাঙথোকপা ঙম্লক্ত্রে; ইফুরুপকী চৎনরোলবু লল্লোন কাঙলোন ওইনা শীজিন্নবা হোৎনবনা মরম ওইদুনা খুন্নাইদা অমোৎপা হেনগৎলকপদা নত্তনা প্রদেশকী শক্তমবু পিকশিলহল্লি। মরম অসিনা শেন্মীৎলোনবু শকখঙবা ঙমহন্দে। বেঙ্ক, কো-ওপরেটিভ বেঙ্কনচিংবা শীজিন্নবগী হৈনবী ৱাৎতুনা লৈরি।

মশীং থিঙমদবা শিংলূপ কয়া হায়বদি এসোসিএসন, সিভিল সোসাইটি এসোসিএসন (সী এস ও); জোইন্ট এক্সন কম্মিটি (জে এ সী) কয়াগী শক্তিনা ষ্ট্রাইক আন্দোলন্নচিংবা পাঙথোক্লবা শিল-লাংবা ঙমহল্লি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মপাঙ্গল হন্থহল্লি।

হং কোম্লবা, সেপি নান্থোক্লগা থোঙ অমগী মখোল থোক্লবা চিদাইগী প্রদেশ মণিপুরনি। মণিপুরগী লৈঙাক্তা মম্লবা লৈচিলনা খুমদুনতা লৈ। লৈঙাক্লবা মী হাপচিন্নবা, অরিবা লৈঙাক্লম্বশিংবু অনৌবা লোইশঙদা হাপচিনবীনবা মতম অদো লাক্লে। অনৌবা ইন্দিয়াদা অনৌবা ৱাখলবু কৌজরি।

মসিনা মরম ওইদুনা, মিৎয়েং থমজরিবা মীওই অমা ওইনা প্রদেশ অসিগী মীওইশিংবু য়াকাইনবা হোৎনজরি; অনৌবা লুচিংবশিংবু তরাম্না ওকপীদুনা কায়র-তোয়রবা মাঙলগদবা কয়াবু শেমজিন শাজিন্নবা হোৎনবা ফৈ। ওন্ন-তৈনবা ৱাখল শন্দোক্লম্বা কয়াবু অচুম্বা মায়কৈদা মায়ওন চুম্বা মতম ওইরে। অদুদগীসু হেন্দোক্তুনা ৱাখল লৈতারবা মীওই কয়াগী পাউতাক লৌদুনা প্রদেশ অসিবু শেমগৎপা চুম্মী। অদুগীসু মথক্তা মীয়াম্নসু লৈঙাক্কী প্রোগ্রাম কয়াবু শরুক য়াবা তাই; মদুগী কান্নবা ফংহৌবা তাই; লৈঙাক্কী থৌশিলবু মীরাইবা চুম্লোই। অদুবু প্রদেশ অসিদদি মপূং ফানা শরুক য়াবগী শক্তম উদে, মদুগী মরম লৈঙাক মোৎপগীরা নৎত্রগা চাওখৎ থৌরম য়াওনীংদবগীরা খঙবা ঙমদে।

প্রদেশ অসিগী খ্বাইদগী চাউবা অৱাৎপা অমনা শিনতম লোইশঙশিংনি। ইন্দিয়াগী শিন্থোং অয়াম্বা শিন্তম লোইশঙশিংদগী থোরকখিবা ঙাক্তনি। অদুবু লৈঙাক্কী শিন্তম লোইশঙশিং অদুদি ১০০দা ৯০ শিদুনা লৈরে। অদুবু মহাদেশ অসিগী মহৈ তম্বগী চৎনলোনচৎ খুদিংমক্তি এন সী ঈ আর টি (নেসনল কাউন্সিল ওফ এদ্যুকেসন এন্দ রিছার্স ত্রেনিং) এস সী ঈ আর টি (ষ্টেট কাউন্সিল ওফ এদ্যুকেসনেল রিছার্স এন্দ ত্রেনিং) গী অকনবা থিজিন হূমজিনবনা মরম ওইদুনা অমসুং মচাকশিং অদু শীজিন্নদুনা নহা ওইরিবশিংনা হৈশিংনা মখাদা পীরিবা পরিক্ষাশিং অসিবু মায়োক্নে।

(ক) য়ু পি এস সী (য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন)

(খ) এস পি এস সী (ষ্টেট পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন) গী লাইরিক-লাইশু নৈনরবতদা মায় পাকপা ঙম্মী।

খুদম ওইনা হায়রবদা হায়রিবা পরিক্ষাশিং অসি এন সী ঈ আর টিগী শিন্দম চৈথাবু শীজিন্নরিবা শিন্দম শঙ খুদম ওইনা হায়রবদা; কেন্দ্র বিদ্যালয়, রাম কৃষ্ণ মিসন, সৈনিক স্কুল অমসুং জৱাহর নবোদয়াগী স্কুলদগী থোরকপা মহৈরোয়শিংনা মশীং য়াম্না মায় পাকপা উই। অমরোমদা লন্নাই শিন্দমশঙশিংদগী থোরকপা মহৈরোয় কয়াদি লন্নাইগী কম্পনিশিংদনা অয়াম্বা থবক তৌই। অদুম ওইদুনসু লৈঙাক্কী ওইরিবা অচৌবা শিন্দমশঙ হায়বদি আই আই টি (ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি), আই আই এম (ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট) নচিংবা কয়ানা ময়ায়দা চেল্লি।

পোরমশিং অসি উরুরগদি মখোল থোক্লবা সমস্যা কয়ানা কোয়শিল্লবা, হং কোম্লবা মানবা, মণিপুর অসি লৈঙাক্কী চেকশিন্দবদগী খুন্নাইগী ওইবা অচৌবা হাৎন-শুনবা থোক্লকপা য়াই। অমরোমদা, ম্যান্মারগা তায়নবা ঙমখৈগী চয়েৎনবা লৈবা, অমরোমদনা ঙরাংগী ওইবা, এন এস সী এন (আই-এম) গী গ্রেটর নাগালেন্দনা মরম ওইদুনা চাওখৎ লমজেলদা খুরৌ থাংদুনতা লৈরিবা অসিনি।

অদুম ওইনমক মসিনা লানপাউ ওইবদি য়ারোই; মসিদি ৱাখল লৈতাবগী থৌদাংনি। মণিপুরগী ঙমখৈগী ৱারম খন্নবদা ৱাহৈ চাংয়েং তৌনবগী মথৌনি। অদুগুম্বা চাংয়েং অদুদা ৱারেপ চৈ পায়বীগদবা মীওইদি থবক্তগী পোথারবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙ (সুপ্রিম কোর্ট) তগী ৱায়েল মপু ওইবিবা তাই। অদু নত্তনা অচৌবা কেরানিদগী থোরকপা চৈরকখৎ (ইন্টরলোক্যুটর) গুম্বনা ৱায়েল চৈ পায়নবা থৌদাং শিন্নবিদবা ফৈ। অসিগুম্বা ব্যুরোক্রেটশিং অদুদি গভর্ণরগুম্বা লৈঙাক্কী অচৌবা পোষ্ট পাম্বদগী লাকপা মীয়ামগী অমাঙ অতা খঙবা মীওই ওইদে। অওইবমকসু ইন্টরলোক্যুটরশিং অদুগী মনুংদগী কে পদ্মনভৈয়া নত্তবা খুদিংমক গভর্ণর ওইখ্রবনি অদুবু মথৌদি মপূং ফানা পাঙথোকখিবা নত্তে।

পূক্লিংদা চিংনবা লৈতনা ঐহাক্লা ফোঙদোকচরি মদুদি : এন এস সী এনগী ৱারী শানবতা নত্তনা মচেৎ তানবা হোৎনরম্বনা মরম ওইদুনা মীচং শঙ্গন তৌনবগী ৱাফম ওইনা উবা ফংই। মসিনদি পীক্লবা মীওই কাঙলূপ কয়াবু মচেৎ তাহনবা, অমগা অমগগী মরী থদৎহনবা, পন খানহনবনচিংবা কয়া থোকহল্লি। মদুনা মরম ওইদুনা তৌগদবা মথৌ, ইথৌদি তৌদদুনা লৈঙাক্কী কয়াৎ মনুংদা লৈবা থবক কয়া পাঙথোকপা ঙমহন্দে।

মরম অদুনা, মীৎয়েং থল্লিবা - থবক্তগী পোথারবা লান্দগী হল্লকপা সিফাই অমা ওইনা খঙহঞ্জনীংবদি মৈতৈদি মশাগী ওইবা থবক্তা হৈশিংবা ওইনা লৈবনি। অদুবু, পূক্লিং খাইদোক্তুনা লৈবগুম উহল্লিবা মণিপুর অসি তশেংনমক ৱাখল লানথেংনরিবা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনবু শেমদোক্তুনা প্রদেশ অসিবু পিকশিন্নবা হোৎনরিব্রা হায়বা ৱাখল চেল্লবা মীওইনি; হায়রিবা লৌতুনবা অদু লৈরম্লবা তারবদি অচৌবা ঈ-নাই তানরবা, মতুংদা 'গ্রেটর মণিপুর' ওইরকপা য়ারোই হায়নীংঙাই লৈতে। মণিপুরগী ঙমখৈসু চাউথোকহনবা য়ারকপা য়াই।

মণিপুরগী লৈমায় চাউথোরকপা য়াই; মণিপুরগী মমিং হোংলকপা য়াই নৎত্রগা হোংদবসু য়াই, মদুদা যূমথংনবা লম প্রদেশতা অমাঙবা ওইবা য়াই। পূম্নমক অদু লৈঙাক্কী মীৎয়েং শান্দবগী থৌদাং ওইবা তাগনি।

মখা চথুবা ওইনা, ইন্দিয়াগী জনজাতিশিংগী মরক্তা মৈতৈসু অমনি। মৈতৈদি হান্নদগী জনজাতি ওইনা লৈরম্বনি। মদুগী মওং মতৌদি আর্কাইবতা লৈরিবা, মশীং য়াম্লবা অইবা কয়ানা খুদম চাংদম ওইগনি। মণিপুরবু জনজাতিগী থাক্তা হঞ্জিনহন্নবগীদমক্তা 'সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর' না কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। করিগুম্বা মৈতৈনা এস টি ওইনা হঞ্জিনহলহৌদবা তারবদি সী এ বি অমসুং এন আর সীগী লাংদা থুদুনা মণিপুরগী মমিং মাঙলকপা য়াই।

মরম অদুনা, মীৎয়েং থমজরিবা মীওই অমা ওইনা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্তা হঙ্গৎচরি মদুদি লৈঙাকপদা পূক্লিং লৈতানা, মনুং মপান নাইদনা লৈঙাকপীয়ু, মহাদেশ অসিদা শান্তি পুবিরকউ। ঐহাকসু সবকা সাথ সবকা বিকাস অমসুং সবকা বিশ্বাষপু শৌগৎপা মীওইনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১। মণিপুরী পুৱারীদা কালি তৈখিবা অমতংগা হায়বা তারবদি মহারাজ সুরচন্দ্রগী মচাইবেম্মা সনাতোম্বীনা বর সাহেবতা ওংশিনখিবা অসিনি। অদুবু মাতদি নত্তে, কর্নেল সাহেবনসু কাংঙবম চনু অমা লৌখি। মখোয়বু মাংই হায়দুনা খুন্নাইনা ইন্থোকখিবনি।

(ক) সনাতোম্বীগী মমা ইবেম্মা কৈয়ুম নিংঙোলনো?

(খ) কাংবম চনু অদুগী মমিংনা করি কৌই?

২। "প্রেম্না লিংবা জগৎনিদো/পুবনিদো প্রেম্না/পুনবনিদো প্রেম্না/তেংবাল হিংবনিদো প্রেম্না।" পরেংশিংসি কবি মীনকেতন্না হায়রম্বনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "ঈশাগী পুন্সিগী শরুক চাম্মগী মনুংদা মরিফুতরাদি চেনা ফাক্তোক্তুনা উৎচরে। শরুক তরারোম অসিদি লোৎশিন্দুনা থমজরগে।" কবি কনানো হায়রিবসি?

৪। "মাগী মাগী নুপীনা/হায়বা ইনবা নুপাশিং/ওইরম্বা য়াই তাক্তৌবা/লোন্না নুপী কোয়বা য়ানবা।" ৱাফমসিনা 'চিল্লো পামজনা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগীনি। অইবী অদু কনানো?

৫। "তাইবঙ কৈথেল কারকপদা/পুন্সি লল্লোনবা লাকপদা/শেন্দোং তানগে খল্লুবা/শেল্লেপ মাঙদুনা হন্দৌরে।" ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।